রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরিবশিংবু ...

লামায় ১গী মখা... মণিপুরগী মীয়ামদু ঙাক শেন্নবা থবক পুং ২৪ চুপ্পা পাঙথোক্লি হায়খি।

কেম্প অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা লৈফম চাফম খঙনবা মীওইশিংগীদমক লৈঙাক্তা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা থবকশিং লৌখৎপগা লোয়ননা রিলিফ কেম্প ক্যাম্পসু হাংদোক্লে হায়খি। হৌজিকমক তৌগদবা থবক্তি মীওইশিং অসিগী মশাদা ফাওরিবা অকি-ভুক্কুবশিং কোকহন্দুনা মখোয়দা থাজবা পীবনি হায়খি।

মখা তানা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিং, সী এস ও/এন জি ওশিং য়াওনা ফুরুপ কাঙলুপ পুম্নমক্কী মীহুৎশিং য়াওবা অমসুং সেন্ট্রেল ফোর্সশিংসু য়াওনা তেংবাঙগী থবকশিং শুপ্পা য়েংশিন্নবা ষ্টেট লেভেল রিলিফ কম্মিটি অমা শেল্লগনি হায়খি। কম্মিটি অদুনা থোকপ্রিবা অমাঙ অতম্বা য়েংশিননবগা লোয়ননা করি কনবগে তেংবাঙ অমসুং মতেং পীবা য়াগদগে হায়বদুসু লেপথোক্কনি হায়খি।

লোয়ননা শেমগদৌরিবা কম্মিটি অসিনা ফুরুপশিংগী মনুংদা লৈরক্না ৱাখল তান্নদবশিং লৌথোক্কনা অমগা অমগা হোদেক্কহন্দুনা মচিল মনাও ওইগনি শক্তম অমুক হন্না হঞ্জিলহনবা হোৎনগনি হায়খি। লোয়ননা ফুরুপ পুম্নমক্কী মীহুৎশিং য়াওনা পোলিটিকেল পার্টি, মিনিষ্টর/এম এল এশিং অমসুং অসাম রাইফলসকী মীহুৎশিং য়াওনা ষ্টেট লেভেল পিছ কম্মিটি অমসু শেম্লে হায়না ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক পাউমীশিংগী মায়কৈদগী গভর্ণরনা হৌজিক থোক্লিরিবা থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইরদুনা মীওই কয়া অশি অনা নপ্পবগে অমসুং মাঙহন তাকহনখিবনা কয়াম য়াম্নেনা হায়না হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদদি মসিগীদমক চপ চানা খঙদোক্লবা জুডিসল কম্মিটি অমা শেম্লগনি অমসুং চেন্নবশিংগী মথক্তা চৌরাক পীগনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন লৈঙাক্কসু মণিপুর মীয়ামগী শাফবনবগীদমক লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎলি হায়রদুনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ মশামক ষ্টেট লৈঙাক্কা খূৎশম্ননা চৎমিন্নবগা লোয়ননা পুং ২৪ চুপ্পা মথৌ পাঙথোক্কদবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং পীরক্লে হায়খি। তুংদা গভর্ণরনা লম্ফেলপাৎকী ১৪৩শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কেম্পতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরিবা লাঙ্গেল অমসুং অকোয়বা মফমশিংগী মীয়ামগসু উম্নখি। মীওইশিং অদুনা ফোঙদোরকপা অরা অনাশিং গভর্ণরনা তাখিবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পুম্নমক পাংগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

খোঙচৎ অসিদা গভর্ণরগা লোয়ননা ঈশিং, হৱাই-চেঙৱাই, মনা-মশিং, হৈ মহিনচিংবা য়াওনা অঙাংগী অচাপোৎশিং অমসুং সেনিটরি পেদশিংসু য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, হন্দক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকপগী ফম অসিগী থবক পুবা হৌরক্লবা বিনিট জোসিনা ঙসি রাজ ভবনদা গভর্ণর অনুসুয়া উইকেদা উপ্লে। ঊৱা অসিদা চীফ সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী লোয়নবদা হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভমশিং মরীকচুপ্পা পাউমখিবগা লোয়ননা থোক্লিবা থৌদোকশিং অদুনা অরা অনা মায়োক্লবগা লোয়ননা মীওইশিংগীদমক খুদক্কী ওইনা অৱাবা কোকহন্নবা করি করম্না তেংবাঙশিং পায়খৎকদগে হায়বগী মতাংদা কুপ্পা খন্নলে হায়রি।

কুকিগী এরিয়াশিংদা

লামায় ১গী মখা... হঞ্জিলহল্লবা ফুরুপ পুম্নমক অমসুং ষ্টেকহোল্ডরশিংগা মখা তানা পন্থবা তৌননা মাঙজিলনা থানা থোরক্লনা হোৎনগদবনি হায়খি। অদুগা নহারোলশিং অমসুং সোসল মীদিয়া শীজিন্নরিবশিংনা অশেংবা অচুম্বা খঙদোক্তনা অমসুং অরানবা পাউশিং শান্দনা শেমজিন শাজিননা নাকল অমতক্তী ওইবা ৱারীশিং য়াওবা ৱাফমশিং থোক্লহল্লবদা মশা মশাগী থৌদাং চপ চানা লৌবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়খি।

ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঈং ট্রানসেনল, নেসনল অমসুং রিজনেল মীদিয়াশিংনসু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী হিয়া শোকচিনজনদবা পাউশিং হকথোংননা নংগ্রনা নাকোয়ননা ফোঙদোকন্নবসু মহাক্লা আপীল তৌখি। অদুগা হৌজিককী ফীভম অসিদগী মণিপুরবু কলহৌনবগীদমক পাউমীশিংগীদমক প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা পীবা ইথিকেল কন্দক্টকী কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

খুল ৬কী খুঞ্জাশিং কঞ্জনবগীদমক ...

লামায় ১গী মখা... থোরক্লগা পুন্না য়ারেকম্নিবগী থবকশিং চথরি। অসিগুপ্পবা য়াম্না চিবা তাঞ্জা অসিদা লোকল এম এল এগা পাউ ফাওনবদা আর্মিগী প্রেন্নে অমা থাবীরক্লগদবা হায়রগসু থাবীরক্লে। মরম অসিগী খঙনবা থাজবা থম্মীবদগী অকিবা খরদি কোল্লগনি খঞ্জরবা অদুসু মাঙপ্লে। মরম অসিনা অসিগুপ্পা থাজবা মাঙহনবগী থৌও অসি তৌবীগদ হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা থোকদোকখিবদা খুঞ্জাশিংনা য়াম্না পেনদ্রিবা ঙরাং থালতবীগী চিংথক্তা শাবা খাংপোকশঙ অমা মৈ থারমখিবা অমসুং মৈ চাকখিবা মতমদা পেরা মিলিটরি অমসুং সী আর পি এফ লৈরবসু মখোয়না করিমক্তা তৌথিদবা অদুনি হায়রি। পাউ তাবদগী খুঞ্জাশিং মৈ চাকফম তাক্লা চৎখি। মফম অদুদা লৈরম্না মীওইশিংদা থৌদোক অদু কন্নানা থোকহনবনো হায়বনচিংবা হংবগী থবকসু সিক্যুরিটিশিং মায়কৈদগী তৌরমখিদে হায়রি। মরম অসিনা মীয়ামদু ঙাকপী শেনবীবগী থবকতা সিক্যুরিটি পেনদ্রবা খরা শেল্লপ্লা হায়না হংবগা লোয়ননা আর্মিনা ফাওবা ঙাকপা ওমদ্রবদি ঐথোয় ঈশানা ঈশাবু ঙাকচনবা ফরগদা হায়বগী ৱারেপ লৌকপনি হায়রি।

মসিগীদমক থালতবী য়াওনা খুলশিং অসিগী ৱাকশিংবগীদসু মতেং লৌরগনি হায়খি। খুলশিং অসিদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং মীয়াম পুন্না ঙাকমিন্নরসি হায়রবা লোয়ননা ঙরাংগী মৈ থাবগী থৌদোক অসি নৌহৌননা অমুক থোকরপনি হায়খি। অদুম থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওইশিং ফাংখ্রবা লৈত্রি। খুলশিং অসিদি কুকিগী খুলশিংগা য়ুমলোয়ননা য়াম্না খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা খুলশিং ওইরে। মরম অসিনা থোকরক্লনবা থৌদোকশিং থোরক্লনবা অমসুং মীয়ামদু ক্ষয়গীদমক প্রোটেক্সন কম্মিটি অসিনা শেমখিবনি হায়খি।

মরম অসিনা ঙরাংগী থালতবীদা মৈ থাবগী থৌদোক অসিগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিং ক্লবকা খুৎশম্মদুনা অপুনবগী খোঙথাং অমা চপ চানা লৌখৎনবা শেম শারে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মপুং ফানা চেকশিন চৌরাংশিংগী লৌখৎপীয়ু হায়খি। হায়রিবা থবকশিং অসি লৌখৎপীরক্কদবদি অচৌবা ঈহৌ অমা লাক্কনা কাঙলুপ অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লরকপা য়ানা লৈরে হায়খি।

ইম্ফাল লোমদা ঈরাং নেমথরল্লবনিনা মফম অসিদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থাবীরল্লগা লংদাই ওইরিবা শগোলমাং, পুখাও, থম্নাপোকপী, ৱাপোকপী, য়াইঙংপোকপীনচিংবা খুলশিং অসিবু ঙাক শেনবীদুনা মীয়াম্না অহিং তূম্বদা ফাওরিবা অকিবশিং কোকহনবীয়ু হায়খি।

সস্পেন্সন ওফ ওপরেসনগী দিজিগনেটেদ...

লামায় ১গী মখা...

হৌজিক তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওই লিশীং ৬ লোম অসি হেন্না শাফগদবা মফমদা থংদোক থংজিন তৌরবা মতুংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অসিগী মশক মমিং খঙদোক্তুনা মখোয়গীদমক পাঙথোকফম থোকপা থবকশিং পাঙথোক্লগা মখোয়গী ইমুং মনুংদা শিন্নবগী থবক লৌখৎলগনি হায়খি।

অদুগা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী মফম খঙদনা লৈরকখিবা খুম্বোংদগী মীওই অনীগী মতাংদদি চপ চাবা ইনফোর্মেসন লৈত্রি হায়খি। লাম্মীনা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিলহল্লক্লবা থবকশিং লৌখৎলকপদা দ্রোন অমসুং হেলিকোপ্টরশিং শীজিন্নরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

হন্দক্কী থৌদোক অদুগী মনুংদা য়ূম কয়াম য়াম্না মৈ থাদোকখ্রবগে হায়দুনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক খঙদোক্লবা দাটাশিং কলেক্সন তৌরি হায়খি।

লোয়ননা ঈরাংনা মরম ওইরদুনা এন ঐচ-২ পরিংগী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মাও গেটতা পন্দুনা লৈরকখিবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং পুবা ত্রকশিং অমসুং বসশিং য়াওনা পূন্না গাড়ী ১২০ লোম ঙসি সিক্যুরিটিনা ঙাক শেল্লগা ইম্ফাল লোমদা পুরকখ্রে হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

য়ূম মৈ চাক্তুনা অৱাবা তারবশিংদা ...

লামায় ১গী মখা... তৌদুনা ময়ুম-ময়ুমদা য়ৌহনখ্রে। হৌজিক মণিপুরদা পুন্না রিলিফ কেম্প ২১৯ মুক হাংলি। অদুগা হন্দক থোকখিবা থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস মশিং ২৮৮ শুরে হায়খি।

মণিপুরদা লৈরম্বা মপানগী মহৈরোয় ২,৪১৩ মশা-মশাগী ময়ুমদা তেক্ত কায়দনা য়ৌনখ্রে। নুংঙাইবা অফবা পাউ অমনা এন ঐচ-২ পরিংদা পন্দুনা লৈরম্বা গাড়ি ৩০০ হেন্না সেনাপতিদগী লাকপা হৌখ্রে হায়খি।

লোয়ননা খুমন লম্পাক অমদি লমফেলপাৎতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা ঙসি চীফ মিনিষ্টর মশামক চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা মখোয়না মায়োক্লরিবা অৱাৎ-অপা য়েংশিনখ্রে হায়খি।

মণিপুরদা অমুক হন্না ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা খুন্দামিন্নরিবা পূম্নমক্লা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মিনিষ্টরনা আপীল তৌখি।

চুড়াচান্দপুরগী খুমুজাম্বা মীতৈ লৈকায়দগী ময়ূম মৈ থাদোকপীখ্রবা...

লামায় ১গী মখা... নুমিৎতুগী অহানবা থৌদোকশিং অদু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকা তাইনবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী টিদ্দিম লম্বী মশাংগী মফম খরদা থোকখ্রবসু থৌদোকশিং অদুগী পাউ হেক ফংবগা পুলিস য়াওনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নীংথিজনা ঙাকপী শেনবীরম্লবদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ কার্টর য়াওনা মফম খরদা লৈরিবা মীতৈগী খুলশিংগী য়ূমশিং পাক্তুনা মৈ থাবগী থৌদোকশিং থোক্লম্লোই হায়না পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

মোইরাংথেম বিশোরজিৎ অমসুং মহাক্কী লোয়নবীনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা চুড়াচান্দপুর টাউনদা লৈবা মখোয়গী ইঙ্খোল অনীনি। পোইন্ট ১২ মখায়রোম চাওবা ইঙ্খোলনা খুমুজাম্বা মীতৈ লৈকায়দা লৈবনি। মফম অসিদা পকাগী য়ূম অমা শাদুনা পূন্না মথক মখা য়াওনা কা ১২ লৈবনি। কা ৮না মীঙোন দা শান্দোক্লগা কা মরিনা মহাক্কী অপোকপী মমা মোইরাংথেম বিনো (৫৭) অমসুং মচন নুপী রোবিতা (৩০) গা লোয়ননা মহাক্কী মচা অহুম অমসুং লোয়নবীগা পূন্না লৈমিন্নবনি। অতোপ্পা পোইন্ট অহুম্মুক চাওবগী লম অমনা চুড়াচান্দপুর ন্যু বজারদা লৈদুনা দুকান ফম্বনি হায়রি।

অদুবু খঙহৌদনা মশীং য়াম্লবা মীওইশিং থোমজিল্লক্তুনা য়ূম কয়া মথং মথং মৈ থারকপদা মখোয়গী মফম অনীদা লৈবা য়ূম অমসুং দুকানশিং তুম্নবা চাকখিবনি হায়রি। খুমুজাম্বা মৈতৈ লৈকায়গী ওইনা মীওই লিশীং ২ রোম লৈবগী মনুংদা ভোটরগী মশীংনা ৯০০নি। অদুগা ইমুং ২০০ রোম লৈবা লৈকায়নি হায়রি।

খুল অসিগী য়ূমশিং মে ৩গী নুমিদাংগী পুং ৮ তারমদাইদগী মথং মথং মৈ থাবা হৌরকখিবনি। মৈ থাবগী থৌদোক থোক্লিঙৈগী মমাঙদা পুলিস পর্সনেল ৭/৮ লোম খুল অসিদা লৈরম্মী অদুবু মৈ থারমদাইদা মফম অসি থাদোক্তুনা চৎখি হায়রি।

মখোয় হেক চৎখিবগা পন্থদনা খুল অসিগী য়ূমশিং মথং মথং মৈ থাবা হৌরকখিবনি হায়বগা লোয়ননা মৈ থাবা খক্তা নত্তনা খুল অসিগী য়ূমশিংদা লৈরিবা পোৎলমশিংসু থুগাই-য়ানখাইদুনা মাঙহনবগা লোয়ননা পুবা য়াবা পোৎলমশিংসু মৈ থারবা মীওইশিংনা পুরগা চৎখি হায়রি।

মখোয়গী ইমুংদসু মচননুপী লুহোংনবগীদমক লাংশিঞ্জবা পোৎলমশিং য়াওনা টেলিভিজন, রেফ্রিজিরেটর য়াওনা উপু-কাংথোন অমসুং ফিরোল কয়া মৈ চাকপদা য়াওখ্রে। অদুগা থৱায় হিংনবগীদমক পীক্লিবা অঙাংশিং পুরগা চেন্থোরকপদা পুবা নংহৌদবা শেল অমসুং সনা খরসু লৈহৌখিবগা লোয়ননা ইমুং অমগী পোৎ চৈ পূম্নমক মাঙহৌরে হায়খি।

অদুম ওইনমক মথং নুমিৎকী অয়ূক্তা অসাম রাইফলসশিংগী মতেংনা চুড়াচান্দপুর কৈথেল ফাওবা থোরক্লবা মতুং কংভাই ফাওবা লাকখি। অদুগা থাংজিং চীংখোঙদা লৈবা এ আরগী পোষ্টতা চান-থক্লবা খরা পীরকপদগী চারবা মতুং নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপদা মোইরাং লমখাইদগী বিশোরজিৎকী লোয়নবী জুবোতিগী মপাম ওইরিবা শামুরৌগী নাওরেম চপ্রৌ মখা লৈকায়দগী মীওইশিং লাক্লগা ওকপীদুনা মফম অসিদা লৈরকখিবনি হায়রি। অদুগা মহাক্কী অপোকপী মমা অমসুং মচননুপীনা মোইরাংগী রিলিফ কেম্প অমদা লৈরি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

অদুম ওইনমক হিংনবগী লানফমদা পাম্বে ওইজরম্বা লৈজবা লন-থুম অমসুং পোৎ চৈ পূম্নমক মৈ থাদোকখিবদা নত্তনা শেৎলি-চারিবা ফিরোলশিং খক নত্তনা মশাদা করিমত্তা লোয়নরকপা ঙমহৌদ্রে হায়রকখি। মহাক্কী পীক্লিবা অঙাং অহুমগী মনুংদা ইতোন তোনবা অঙাং অসি নুপামচা ওইবগা লোয়ননা শুপ্নতগী চহী ১গা থা ৪ রোমদমক শুরি। লাঞ্জেন্নরকপদা চারম-থক্লম খঙলক্তবনা পীক্লিবা অঙাং অসিসু মশা ঙল্লক্তবদগী হোস্পিটালদা পুদুনা লায়কন্নখি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা তোবর্বুংলোমদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতুং পুং ৪ রোম লৈরগা খুমুজাম্বা মীতৈ লৈকায়গী থৌদোক অসি থোকখিবনা মরক্তা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীরম্লগদি অমাঙ অতা কয়া অসি থোকহল্লমদবা য়াই হায়নসু লৈঙাক্তা পেন্দবা ফোঙদোরকখি।

GAS NEWS
MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO DATE
Time : 08am to 11am
Any enquiry and booking
Contact No. 7629045883

ওইনাম এ সি গী এম এল এনা প্রজাশিংবু তংদু লৈতানবা অপিল তৌরি

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা ওইনাম কেন্দ্রগী খুঙ্গং মরী ইরেংবম, লৈত্রাম, হৈনৌবোক অমসুং ৱারোইচীংগা হেক খুল্লোন্নদুনা নক্লা খুন্দারিবা চীংখোংগী খুন অহুম হায়বদি আইগিজাং (তিংকাই খুনৌ), আইগিজাং খুনৌ অমসুং লোইবোন খুনৌ হায়রিবা খুন অহুম অসি হন্দক্কী লাইবক থীবা থৌদোক্তুদা মৈহৌ লাংপোক নংখি। হায়রিবা লাইবক থীবা নংলবা খুঙ্গংশিংদুগী অমদি মীপাই থবাইননা লৈরিবা তম্পাক্কী হায়বদি ইরেংবন্দ, লৈত্রাম, হৈনৌবোক অমদি ৱারোইচীংগী প্রজাশিং লোয়ননা তংদু লৈতাদ্রবা মণিপুর মীয়ামগী সেন্টিমেন্টসিদা ওইনাম কেন্দ্রগী এম এল এ ওইরিবী শ্রীমতি ইরেংবম নলিনি দেবীনা তম্পাক্কী খুঙ্গং মরি অসিগী ক্লবশিং অমদি মৈরা পায়বীশিংগী ওইবা অপুনবা মীফম অমা এম এল এ মশামক্কী য়ুমদা কৌবিরগা পাংথোকখি। হায়রিবা মীফম অদুদা ঙসি ঙসিমক থোক্লিবা লাইবক থীবা থৌদোক অসি হৌখিবনা হৌখ্রবসু মখা তানা থোক্তনবা এরিয়া অসিগী প্রজাশিংনা পুক্লিং ফাথনা লৈবিনবা, মীপায় থবাইবা পোকপিদনবা, তোকঙা থাজবিদনবা অমদি তোকঙা শন্দোকপিদনবা অকনবা ৱাফম ফোংদোকখি। লোয়ননা ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংনা প্রজাশিংবু শান্তি লৈনা, তংদু লৈতানা লৈননবা অচৌবা থৌদাং লৌনবসু মখা তানা থমখি। অদুগা থোক্লিবা লাইবক থীবা থৌদোকশিংদা হকথেংননা নংদ্রবসু খুদোং থীবা নংলকপা য়াবা তম্পাক্কী খুঙ্গংশিংগী মাংজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা মফম চাবা য়েংলবা মতুংদা অথুবা মতমদা সেক্যুরিটি আউটপোষ্ট অমা থম্বীনবা মীফমদুনসু ওনরেবল এম এল এ গী মফমদা তকশিনখি। এম এল এ নসু গভর্নমেন্টকা তান্নরগা অথুবা মতমদা থম্নবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবসু মীফমদুদা থমখি।

মখা তাবা তম্পাক্কী খুঙ্গং মরি অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী সেন্সিটিভ ওইরিবা চীংখোংমক্তদা লৈবা ৱারোইচীংগী প্রজাশিং চাওরাক্লা অঙাং য়াওনা মীওই ৩০০ মুক লৈত্রাম হায়স্কুলদা রিলিফ কেম্প অমসু হাংদুনা লৈরিবসিদা মরুওইনা লৈত্রামগী ক্লবশিং অমদি মৈরা পায়বীশিংনা অচৌবা দায়ত্ব লৌরি লোয়ননা কেন্দ্র অসিগী এম এল এ ইরেংবম নলিনি দেবীনসু অকনবা মীৎয়েং চংবিদুনা পাংবা য়াবা মতেং পাংলি অমদি কুপ্পা য়েংশিল্লি। লোয়ননা ইরেংবম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান অমদি কৈনৌ জিলা পরিষদকী মেম্বরনসু মতেং পাংবগা লোয়ননা এম এল এ গা পুন্না য়েংশিনমিন্নরি।

1. M. Ramchandra Singh
President
Heinoubok Loyalakpa Youth Club, Heinoubok
2. I. Anandkumar Singh
Secretary
Irengbam Khoriphaba Youth Club
3. S. Somananda Singh
General Secretary
Irengbam Kangda Apollo Club
Irengbam
4. Hanglem Nonglenba Meitei
General Secretary
Sanjen Pokpi United Welfare Club, Irengbam Awang
5. Kh. Rabichandra
General Secretary
Leimaram Yaipha Lamjing Lup, Leimaram
6. I. Chitaranjan Meitei
Secretary
Irengbam Central Club
Irengbam
7. N. Sanjit Singh
Secretary
Integated Rural Development Orgn. Heinoubok, Namoikhul
8. Th. Jamuna Devi
Secretary
The Irengbam Women's Development Association
9. Y. Dayananda Singh
General Secretary
Chum Mandaram Young Star Club, Irengbam

HL-P/6568/11 Apri.

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR - IMPHAL

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ/ NOTIFICATION

Dated, the 10th May, 2023

No. MU/9-99/1/23(C) : Due to the prevailing situation in the state and in continuation of this office order vide dated 25-04-2023, the programme for the BA/BSc/BCom/BPES/BFT/BSW/BTT 1st Semester Examination, 2022 (November) (NEP) is hereby postponed until further orders.

Sd/- Prof. Ng. Nimai Singh
Controller of Examinations (i/c)

HL-B/8142/11 Apri.

BOARD OF SECONDARY EDUCATION
MANIPUR
NOTIFICATION

Imphal, the 10th May, 2023

No. Ex/36/73-Vol-IV/2023 In continuation of this Office notification of even No. dated 05-05-2023, it is hereby notified for information of all concerned that the meeting of the Board's officials, Head Examiners, Additional Head Examiners, Assistant Head Examiners and Examiners (Govt. and Private Schools) will be held at the Office of the Board of Secondary Education, Manipur (Top floor) for the Subjects given against the dates & time :

11-05-2023 (Thursday)	- Morning : 8.30 a.m.	- English, Maths
12-05-2023 (Friday)	- Morning : 8.30 a.m.	- Science, Social Science.
13-05-2023 (Saturday)	- Morning : 8.30 a.m.	- Home Science, M.I.L, Optional Subjects

The updated list of Subjectwise examiners (Government Schools & Private Schools) can be seen on the Notice Board of the BOSEM's office.

N.B. Issuance of curfew pass for all concerned related to the evaluation work has been initiated to the Government of Manipur vide this office letter No. Ex/36/73-Vol-IV/2023 dated 8th May, 2023.

(Dr. S. Mangijao Singh)
Secretary

.HL-B/6700/11 Apri

হায় কোর্ট বার এসোসিএসন য়াওনা অম্বা ১সুং অমলানা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা আপীল তৌরক্লি

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস) : কাঙলূপ অনীগী মরক্তা ৱাখল তান্নদবদগী থোরকখিবা কা হেনবা থৌওংশিংনা মরম ওইরদুনা অরুবা ফীভম অমা মায়োক্লহল্লক্লিবা অসিগীদমক হায় কোর্ট বার এসোসিএসন ওফ মণিপুর, ওল মণিপুর বার এসোসিএসন অমসুং ওল মণিপুর লেদি এদভোকেটস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টশিং অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট মথংশিংনা ৱাই নিরমোলচান্দ (সিনিয়র এদভোকেট), পি তোমচা (এদভোকেট) অমসুং এম মোনোরমা (এদভোকেট) না পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা মণিপুরগী ফুরুপ কাঙলূপ পূম্নমক্লা অমগা অমগগী মরক্তা ঈং-তপ্পা অমসুং নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা আপীল তৌরক্লি।

মণিপুর চেম্বর ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিনা আপীল তৌরক্লি

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস) : হৌজিক মণিপুরদা ইসেন্সিএল কমোদিটিশিংবু লল্লোন ইতিক তৌরিবা লোকল ত্রেদরশিংনা মসিগী মরু ওইবা য়েংলদুনা লৌরিবা থৌদাংশিংবু মণিপুর চেম্বর ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিনা তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি। অদুম ওইনমক নুংতিগী শীজিন্নরিবা ইসেন্সিএল কমোদিটিশিংগী মমলদা পোৎকা চান্নদবা মওংদা অমসুং মরম চাদনা হেনগৎপগী পাউশিং তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা ফোঙদোক্লরক্লে হায়রদুনা হৌজিক তংদু লৈতাদনা লৈরিবা ফীভম অসিগীদমক খন্থবীরগা লোকল ত্রেদরশিং অমসুং বিজিনেস কম্যুনিটিশিংনা অসিগুম্বা মরম চাদনা পোৎ চৈশিংগী মমল হেনগৎহনবীগনু হায়না আপীল তৌরক্লি।

তংদু লৈতাবা পুরকমিন্নরসি : লৈশাংথেম চাওখৎ লূপ

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস) : থৌবাল লৈশাংথেমদা লৈবা লৈশাংথেম চাওখৎ লূপনা থা অসিগী অহানবা চয়োলগী ৱাফম থাদোক্লরগা তংদু লৈতাবা পুরক্লবা হোৎনরসি হায়রক্লি।

লোয়ননা হৌজিক ঈরাং থোক্লিবা মফমশিং অসিদা তংদু লৈতানা লৈমিন্নবা অমদি মহৌশাগুম্না লৈমিন্নসি অমসুং খুন্নাইগী অফবা ৱাখল খনমিন্নসি হায়না ফোঙদোরক্লি।

রিলিফ কেম্প ১০দা খূৎশিন্নখ্রে : ফ্রেসরস লাইব্রেরি ক্লব

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ৩দগী কাঙলূপ অনীগী মরক্তা থোকখিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংদা অৱা অনা তারবশিংনা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিংদা মতেং পাংনবগীদমক ফ্রেসরস লাইব্রেরি ক্লব, নিঙোম্বম (এয়রপোর্ট মনাক) না শিন্দুনা নিঙোম্বমগী মীয়াম্না পীবিরকপা তেংবাঙ পোৎলমশিং, শেল অমসুং চান-থক্লবা য়াওনা ফিরোলশিং থা অসিগী ৮ অমসুং ৯দা নুমিৎ নীনি চূপ্পা রিলিফ কেম্প ১০দা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

শগোলবন্দগী ৱার্কিং ৱিমেন্স গ্রুপ্না তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস) : ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা চেল্লক্লগা ক্লবশিংগী মতেংগা লোয়ননা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা ঙসি ৱার্কিং ৱিমেন্স গ্রুপ (শগোলবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি) না চান-থক্লবা পোৎ চৈ, থক্লবা ঈশিংনচিংবা তাইরেনপোকপী অমদি কদাংবন্দগী রিলিফ কেম্পশিংদা মতেং পাংলুরে হায়না গ্রুপ অসিগী সেক্রেটরি হিজম রঞ্জিতা অমসুং প্রসিদেন্ট ঐচ মলাগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নোংমৈবুংগী ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লবনা রিলিফ মেটরিএলশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস) : নোংমৈবুংদা লৈবা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব অমসুং নোংমৈবুং মৈরা পায়বী লূপনা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংনা ইথম মোইরাংপুরেল, তুমুখোং, নোংপোক হৈরোক, উয়ুম্পোক, মোরোক ইঙ্খোল, নোংপোক ককচীং, নোংগ্রেন ময়ায় লৈকায়, কৈবি রিঙ্গো ক্লব, হৈককমপাল, পুখাও খাবম, শম্বৈ, ৱাইতোন প্রাইমারি স্কুল মখা লৈকায়, প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর য়াম্বেম, য়াম্বেম হায়র সেকেন্দরি স্কুল, য়াইরিপোক লাইমনাইনচিংবা মফমশিংদা লৈবা রিলিফ কেম্পশিংদা রিলিফ মেটরিএলশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

জে এন ভি খুম্বোং এলুমনাই এসোসিএসননা রিলিফ দাটা সপোর্ট সেন্টর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগা মরী লৈননা জে এন ভি খুম্বোং এলুমনাই এসোসিএসননা রিলিফ পীরিবশিংগা রিলিফ কেম্পশিংগগী মরক্তা ঈ-পাউশিং ষ্ট্রিমলাইন তৌনবগী পান্দমদা রিলিফ দাটা সপোর্ট সেন্টর অমা হাংদোক্লে হায়না এসোসিএসন অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরি কে নরেসনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, থা অসিগী ৩দা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোকশিং অদুনা চুড়াচান্দপুরবু শোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই লিশীং ৩০ রোমদা চৈথেং পীখি হায়রদুনা অসিগুম্বা মীওইশিং অসি হৌজিক তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি হায়রি। মরম অসিনা মীওইবগী মীনুংশিগীদমক লোকল ক্লব অমসুং ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসনশিংনা মখোয়গীদমক রিলিফ মেটরিএলশিং পীবগী থবক চথরক্লি। অদুম ওইনমক চপ চাবা সিষ্টম অমা লৈতবদগী রিলিফ কেম্পশিংগী মরক্তা তেংবাঙ মথৌ তাবা য়াওরকপদা তেংবাঙ পোৎলমশিং ফংবা ঙমদবসু য়াওরে হায়বগা লোয়ননা রিলিফ কেম্প খরদনা তেংবাঙ পোৎলমশিং মরাং কায়না ফংবসু য়াওরে হায়রি। মরম অসিনা ঈ-পাউ ফাওনদবদগী লৈরিবা অহোবা অসি মেনশিন্নবগীদমক এসোসিএসন অসিনা রিলিফ দাটা সপোর্ট সেন্টর অমা হাংদোকপনি হায়রি।

থৌরম অসি রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগা তেংবাঙ পোৎলম য়েন্থোক্কদবশিংগগী মরক্তা অহোবা লৈহন্দনবা লৌখৎলকপনি হায়রদুনা রিলিফ কেম্পশিংনা এসোসিএসন অসিগী মোবাইল নম্বর ৯৪০২৬৯২৬৮২ অমসুং ৯৮৬৩৭৩১২২৪দা কন্টেক্ট তৌবীরকউ হায়রি।

ঈরাংশিংগী খুদোংচাবা লৌরগা মণিপুর লৈঙাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন ২/৩ থোকপা য়ারোই : অমুকো

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ৩দা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা সোলিদরি রেল্লি চৎলুরবা মতুং নুমিদাং চুড়াচান্দপুরদা থোকখিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অদু লৈঙাক্কী ঙাকশেনগী থৌরাং শোনবনা থোকখিবনি হায়না অমুকোগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি লাইশ্রম কৃষ্ণচন্দ্র খুমননা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, থৌদোকশিং অদুনা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং অসি য়েংজরগা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লসব ওর্গনাইজেসন (অমুকো) না মতম শাংনা কাঙলূপ মশেল নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা, পূন্না হিংমিন্নবা, পূন্না চাওখৎমিন্নবা, পূন্না থেংনমিন্নবগী ৱাফমদা থবক তৌজরকপনিনা লৈঙাক্লসু হোৎনদে হায়জবা নৎচদে, হোৎনবীরি। অদুবু রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অৱাবা তারবা মীয়াম মাগী মাগী ময়ূম ময়ূমদা লৈজবা ঙম্নবা লৈঙাক্লা লাউথোকখ্রবা পীফম থোকপা খুদোংচাবশিং পীবিদুনা অথুবা মতমদা শিনবীয়ু হায়রি।

অনীশুবদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অসিগী হৌরকফম লৈঙাক অমসুং মীয়াম্না থিদোকসি। মরমদি অশেংবা এজেন্দানা লোৎলগা শাশিন্নবা ইস্যুদা ইরাং থোকপা মানবগী ৱাফম লৈরি। অহুমশুবদা থোক্লিবা ঈরাংসিগী খুদোংচাবা লৌরগা মণিপুরগী এদমিনিষ্ট্রেসন অনী নৎত্রগা অহুম থোক্লবগী খুদোংচাবা লৌবা য়ারোই। ৱাফম অসি লূম্না লৌজবগী মরমদি থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া কয়া মথং মথং থোরক্কদ্রা হায়বগী চিংনবসু লৈরি হায়রি।

মরিশুবদা মণিপুর অসি কাঙলূপ কয়া পূন্না লৈবা লমনিনা মাগী মাগী কাঙলূপ খক্তগী ওইবা অপান্বা অনীংবা দিমান্দ তৌনরকপা মতমদা পূন্না হিংমিন্নবগী শক্তমদসু শীংনরকপা মরম্না থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমুক হন্না থোক্লকপা য়াবনা দিমান্দশিং অসি তৌদ্রিঙৈ মমাঙদা ৭/১০ থোক্লা খন্ন-নৈনহঞ্জনীংই হায়রি।

অরোইবদা, মণিপুরগী মীয়াম্না থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমুক হন্না থোক্তনবা ঙাইহাক্তংগী পেন্দবা নুংঙাইতবদা য়ূম্ফম ওইরগা থবক অমত্তা তৌবীগনু হায়রি।

হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী হান্নগী দিরেক্টর জয়মতিনা রিলিফ কেম্পদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস) : কৈশামথোং এলাংবম লৈকায় লৈরক মচাদগী হান্না হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন লোয়শঙগী দিরেক্টর ওইরম্বী জয়মতি নোংমৈকাপমনা থা অসিগী ৮দা কুম্বী অৱাং হায় স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পদা অঙাংগী দাইপর পেকেট ৫, অচাথাও টিন ২, হৱাই মুসোরি বেগ অমা, হৱাই মঙ্গল বেগ অমা, চিনি বেগ ১, চেগী প্লেট লিশীং ৩, বিস্কিট কার্টোন বোক্স ৬, নুপীশিংগী হায়জিনিক পেদ কার্টোন বোক্স অমা, ফিরোলশিং অমসুং চামনা কিলোগ্রাম ২০গী পোৎলমশিং মহাক মশামক্লা হকথেংননা চৎতুনা তেংবাঙখ্রে হায়রি। লোয়ননা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেদসু পাউচেশিংগী খূখাংদা আপীল তৌরদুনা মণিপুরদা হান্নগুম্না ঈং-তপ্পা অমসুং মরা চেৎপা লৈঙাক অমা ওইহনবীরমগনি খঞ্জে হায়রদুনা মসিমক ওইহনবীনবা আপীল তৌখ্রে।

পাৎশোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী পিছ এন্দ রিলিফ কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস) : ঙরাং নুংথিল পুং ১ তারকপদা লম্ফেলপাৎকী দি সী কমপ্লেক্সতা লৈবা কোম্বীরৈ হোলদা পাৎশোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এগী লমজিং মখাদা পাৎশোইগী এস দি ও অমসুং এস দি সী য়াওনা লোকল ক্লব, এন জি ও অমসুং মৈরা পায়বীশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াদুনা অপূনবা মীফম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা হৌজিক মণিপুরদা ওইরিবা ফীভম অসিগীদমক পিছ এন্দ রিলিফ কম্মিটি অমা শেম্লে হায়রি।

কম্মিটি অসিগী চ্যেরমেননা এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশোরনা ওইরগা অতৈ থৌপুবশিংনা সী ৱাই দল্লিয়ু ঈ এল সয়াং কোম্থৌজম লৈকায়গী প্রসিদেন্ট ওইনাম দ্বিজমনি (কনভিনর), জি ৱাই সী ঘড়িগী মেম্বর ঙারিয়াম্বম মিলন (কো কনভিনর-সেক্রেটরি), অপূনবা নুপী লূপ সঙাইপ্রৌগী মেম্বর সনসম রাধেশ্যাম (কো কনভিনর-ফাইনান্স), কে ৱাই এস টি এ নাওরেমথোং খুমন্থেম লৈকায়গী মেম্বর থাংজম সরত মীতৈ (কো কনভিনর-পব্লিসিটি সেক্রেটরি) অমসুং মেম্বরশিংদনা ঘড়ি অৱাংদগী চুংখাম গীতা, সাপম লৈরক্তগী এম সনাতোম্বা, চিরোম তোন্দোন, খুরাইজম গোপেন্দ্রো, সঙাইপ্রৌদগী অহোংশাংবম ওকেন, সয়াং লৈরক্তগী লাইশ্রম অঙাংচা, তাকয়েল খোংবান্দগী ঙাঙোম দিনেস, সী ৱাই দল্লিয়ু ঈ এল সয়াং লৈরক্কী সেক্রেটরি আর কে বিজেন, জি ৱাই সী ঘড়ীগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ প্রেমা মঙাংচা অমসুং মোইরাং হনুবদগী খাংজ্রাকপম দেবেননি হায়রি।

ৱাফম অসি ঙরাং শেমখিবা পিছ এন্দ রিলিফ কম্মিটিগী কনভিনর ওইনাম দ্বিজমনিনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।